# অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা এটেক চখবা লেপত্রি মণিপুরগী নুপীমচা অমসু মোলেষ্ট তৌবিখ্রে



***নিউ দিল্লি, মার্চ ১ ঃ*** নোর্থ দিল্লিগী বিজয়নগরদা মণিপুরদগী নুপীমচা অমসুং নুপামচা অমা য়ু ঙাওবা মীওই অনিনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা তাথি তাওইনা তৌবিখ্রে।

থৌদোক অদু দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগা নক্নবা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি। পুলিসনা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু থিবগী থবক চখরি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা ফাবা ঙমদ্রি হায়রি। চৈরকসিদা অৱাং নোংপোক্কী মশিং য়াল্লবা ছাত্রশিংনা থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী বিজয়নগরদা পুনশিন্দুনা পেন্দবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না য়ু ঙাওরবা মীওইশিং অদুনা মণিপুরদগী নুপীমচা অমসুং নুপামচা অনিদা হুরান মিৎয়েং য়েংবগী থবক চখরকখি। মদু মণিপুরীশিং অদুনা পার্ক অমদা লাকপদা থোকখিবনি হায়রি। নুপামচা অদুনা য়ু ঙাওরবা মীওই অদুগা ৱারী শান্নখি। তুংদা খঙহৌদনা মীওই অদুনা নুপামচা অদুবু ফুবা হৌরকখি। থৌদোক অদুদা নুপীমচা অদুনা খৎনরিবা অদু খান্নবা হোৎনখি। মদুদা নুপীমচা অদুবুসু মীওই অদুনা ফুবিখি হায়রি।

য়ু ঙাওরবা মীওই অদুনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা নুপীমচা অদুবু মোলেষ্ট তৌবগা লোয়নননা ইজ্জৎ মাংহন্নবা হোৎনখি হায়রি। নুপীমচা অদু মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মহাক হৌজিক দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা তল্লিবা ছাত্রীনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোংদোরকপদা, মহাকপু য়ু ঙাওরবা মীওই অদুনা ফুবগা লোয়নননা মোলেষ্ট তৌখি। লোয়নননা ইজ্জৎ মাংহন্নবসু হোৎনখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমা পুলিসনা ফারে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমদি হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

চৈরকসিদা মঙ্গোলোইদগী শকফম ওইবা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা কাংলুপ নাইবা অমদি তোখায়বা মীৎয়েং অমগা লোয়নননা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংদা এটেক চখবা হেনগৎলক্লি। মমাংদসু অদুগুম্বা থৌদোক কয়া দিল্লিদা থোকখিবা লৈখ্রে। হন্দক্তা অরুনাচল প্রদেশকী এম এল এ অমগী মচানুপা নিদো টানিয়া সাউথ দিল্লিগী দুকান্দারশিংনা ফুবদা লৈখিদবগী ৱাথোক লৈখ্রবনি।

# রাহুল গান্ধীদা কিস তৌরুবা নুপী মপুরোইবনা মৈ থাদুনা হাংখ্রে

***গুৱাহাটি, মার্চ ১ঃ*** কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা অসামদা লাকখিবা খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা ঝোহরাটতা থুংলখিবদা কংগ্রেস ৱার্কর নুপী অমনা কিস তৌরুবগীদমক নুপী অদু মহাক্কী মপুরোইবনা মৈ থাদুনা হাংখ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবী বোন্টি সুটি ঝোহরাট দিষ্ট্রিক্টকী বেকা জংগাওন পঞ্চায়ট মেম্বরনি। মহাক্কী মপুরোইবা সোমনেশ্বরনা কিস তৌবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকনবা য়েংনবা থোকখ্রবা মতুং মৈ থাদুনা হাংখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মতৈ–মনাও অদুদা লান্না খনবদগী ৱাথোক থোকখি। অসাম পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরকপদা, নুপী অদুনা রাহুল গান্ধীগী মকোক্তা কিস তৌখি হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়রে। মপুরোইবা অদুনা নুপী অদুবু মৈ থাদুনা হাংখ্রবা মতুং মহাক মশাসু মৈ থাদুনা শিজনবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুদা মীওই অদুগী হকচাংগী শরুক চাদা ৬০ মৈ চাকখিবগা লোয়নননা ঝোহরাটতগী কিলোমিটর ১৩০ রোম চৎলগা লৈবা দিব্রুগড় মেদিকেল কলেজদা পুখত্নুনা লায়েংখি।

রাহুল গান্ধীদা নুপী অদুনা মরম চাদনা কিস তৌরুবগী পাউ অদু পাউচেশিংনা ফোংদোরকখ্রবা মতুং মতৈ–মনাওগী মরক্তা মত খেন্নবগী অচৌবা ৱাথোক অমা লাকখি। কংগ্রেসকী অদুগুম্বা ফঙ্কসন অদুদা নুপী অদুসু কংগ্রেস ৱার্কর অমা ওইনা শরুক য়াখিবনি। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা নুপী অদুবু মহাক্কী মপুরোইবনা মৈ থাদুনা হাংখিবনি হায়রি।

লোক সভা মীখলগী মাংওইননা রাহুলদা লৈবাক অসিগী ওইবা মরাইবক লেপ্পা য়াবা খোঙফম অমদা লাকখি। মেদিয়াশিংনা ফোংলকপগী মতুং ইন্না নুপী অদুনা মহাক্কী খজাই অমসুং মকোক্তা কিস তৌবদা অয়াবা পীখি হায়রি। থৌদোক অদু টি ভি চেন্নেলশিংনা উখোরকখি।

কংগ্রেসকী নহা ওইরিবা লুচিংবা অদুনা মহাক্কী মনাক্তা নুপী অনিনা নকশিল্লকপদা থৌশাদনা কোনশিনখি। মদুদা নুপীশিং অদুনা মহাক্কী খজাই অমসুং লাইবক্তা কিস তৌখি। মদু লুচিংবা অদুনা নুপীশিং অদুগা ৱারী শান্নরিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না রাহুলনা লমদম অদুগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৬০০ রোমগী মীহুৎশিং উন্নখি। লোয়নননা অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংগী তোঙানবা হৈ–শিংবা লৈ হায়না মহাক্না ফোংদোকখিবা লৈখি। রাহুলদা কিস তৌখিবগী মতাংদা নুপী অমা শিখ্রে হায়বা ৱাফম অদু রাহুল অমসুং এস পি না য়াখিদ্রে। অসামগী ঝোহরাট দিষ্ট্রিক্টতা নুপী অমা রাহুল গান্ধীদা কিস তৌরুবগী শিখি হায়বা ৱাফম অদু লমদম অদুগী কংগ্রেস এম এল এ না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –১

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিম্বা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

***ঙরাংগী মখা***

***পাখংবা ঃ*** *লাইগী হাক্তক্তগী কায়দনা শান্নরকপা শগোল কাংজে মশান্নদু মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা কাংজৈরোয়শিংনা খুৎলোয়নবা অমদি অশোক–অপন নংদনবা নিয়ম খরা শেমদোকখি। পাখংবগী হাক্তক্তা কুচু শঙলেন, অহল্লুপ শঙলেন, লাইফম শঙলেন, খাবম শঙলেন, নহারুপ শঙলেন মিংথোনবা শঙলেন মঙা শাখি। শলাই তরেৎকী পিবারেল তরেৎনা নিংথৌ ওইদুনা মাগী মাগী লৈবাক ঙাক শেলহন্দুনা চারৌ মৌরৌননবা পানমিন্নরবদি লৈবাক মরা তপ্না পানগনি খল্লদুনা শলাই তরুক্কী পিবারেলশিং কৌরগা ৱা তান্নরম্মী। খাকপা নিংথৌ চনুগী মপারী চীংৱাংলক্কী পুরৈরোম্ববু অঙোম শলাইগী নিংথৌ হাপলে। হূইমু লৈমগী মপারী নুংঙৌ য়ুমথংববু চেংলৈ শলাইগী নিংথৌ হাপ্লে। লংমাই নিংথৌ চনুগী মপারী মঙাং পুনশিববু খাবা ঙানবা শলাইগী নিংথৌ হাপলে। পিয়াইনুগী মপারী পোইরৈতোনবুনা লুৱাংতোনবুনা লুৱাং শলাইগী নিংথৌ হাপ্লে অমসুং লৈনাউতাবী মপারী শিংতাপুংবু খুমন শলাইগী নিংথৌ হাপলে। লৈনুং য়ুখাচা চনু ঙাংশাবীগী মপারী ঙাংনিংশিংবু মোইরাং শলাইগী নিংথৌ হাপলে। অসুম্না শলাই তরেৎকী নিংথৌশিংনা মখোয় মখোয়না ঙাক শেন্দুনা পানগদবা লমদমশিং অদু খায়দোল্লন্দুনা কংলৈ নিংথৌ তরেৎনা ঙাক শেন্দুনা পানমিন্নখি।*

# সুপ্রিম কোর্টনা শিবগী দন্দি ওন্থোকপদু ইল্লিগেল ওই ঃ *সেন্টর*



***নিউ দিল্লি, মার্চ ১ ঃ*** শিবগী দন্দি ফংলবা মীওইশিংনা থারকখিবা মার্সি পেটিসন থেংথহনখিবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা শিবগী দন্দি অদু মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক ওইনা ওন্থোকখিবগী মতাংদা পীখিবা ৱায়েল অদুবু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা সেন্টর গভর্নমেন্টনা ঙসি থাংজ নুমিত্তা কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎখ্রে।

জানুৱারী ২১ দা কোর্ট অদুনা পীখিবা ৱায়েলদা শিবগী দন্দি ফংলগদবা মীওই ১৫ গী দন্দি অদু মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক ওইনা ওন্থোকখি। মদুগী মনুংদা রজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিংসু য়াওখি। মদু য়েংবদা অরানবা থৌওং অমনি। জজ অহুমগী বেঞ্চঅদুনা মখোয়গী জুরিসদিক্সনগী ৱাংমদা অদুগুম্বা ৱায়েল অদু চৎখিবনি হায়রি।

সেন্টরনা কোর্ট অদুদা তাখিবা রায় অদু লৈবাক অসিগী মপুং ফানা শেমগৎ–শাগৎলবা নিয়মশিং অমদি কন্সটিট্যুসনগী চৎন–পথাপশিং য়েংলগা অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা ৱাফম থাঙ্গৎলক্লি। মার্সি পেটিসন্দা থেংথহনখি হায়বগীদমক শিবগী দন্দিদগী মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক ওইনা ওন্থোকখিবা অদু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১ রাইট টু লাইফকী মতুং ইন্না পীখিবনি।

কন্সটিট্যুসনগী ৱাহন্থোক লান্না চৎহনবা অমদি জজ মঙাগী বেঞ্চ অদুনা তাখিবা ৱায়েল অদু য়েংশিন্নিংঙাই ওই হায়রি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা থাংগৎলখিবা ৱাফম অদুদা শিবগী দন্দিদগী মপুন্সি চুপ্পগী ফাদোক ওইনা ওন্থোকখ্রবা মীওইশিং অদুনা তৌখিবা ক্রাইমগী নেচর অদু য়েংলগা থবক পায়খৎপা চুমগনি। অতোপ্পা ক্রাইমশিংগা মান্ননা হিরম অদুদা পায়খৎপা অদু অমুক হন্না য়েংশিনবা দরকার লৈ হায়রি।

# গুজরাট রাইওটকী মতাংদা লাল্লি হায়জরোই ঃ *রাজনাথ*

***মুম্বাই, মার্চ ১ ঃ*** পাউচেশিংদা ফোংনরকখিবা পাউদা চমন্নবা থোকহনখিবগা লোয়নননা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট রাজনাথ সিংহনা গুজরাটকী গোদ্রাদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক অদুদা লাল্লি হায়জরোই হায়না ফোংদোকখ্রে।

ইং ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাটকী গোদ্রা লমদমদা কাংলুপকী ইরাংদা মীওই কয়া শিখিবা অদু বি জে পি গী দাইত্ব নত্তে। বি জে পি না থৌদোক অদুগী মতাংদা হায়জরোই। কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা পার্টি অদুগা পুন্না চৎমিন্নরি। হৌজিক পার্টি অদুনা হায়জবগী দরকার ওইদে হায়না পার্টি অদুগী স্পোক্স পার্সন মুক্তার অবাজ নকবিনা ফোংদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা থৌদোক অদুগীদমক হায়জবগী ৱাফম লৈতে। হৌজিক মীওই অয়াম্বা মখোয়গা চৎমিন্নরি। ইক ভারত, শ্রেস্থা ভারতকী মতাংদা ওর্গনাইজেসন কয়াগা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মুস্লিমশিংগা পুন্না পাংথোকখিবা মীফম অমদা বি জে পিগী লুচিংবা অদুনা হায়খিবদা, বি জে পি না করিগুম্বা লান্না লৌবদগী নত্রগা খন্থবা ৱাৎপদগী শোয়খিবা লৈরবদি কোক নোন্না লাল্লে হায়জগনি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী মতাংদদি বি জে পি গী দাইত্ব লৈতে হায়খি।

# বেঙ্গলোরদসু অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংদা এটেক চখরকখ্রে

***বেঙ্গলোর, মার্চ ১ ঃ*** অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা কাংলুপ নাইবগী মওংদা এটেক চখবগী অথিবা থৌওংশিং মখা তানা বেঙ্গলোরদসু চখখ্রে। অৱাং নোংপোক্কী লমদম অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশতগী লাকখিবা অমা বেঙ্গলোরগী পেন্য পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা মীওইশিংদা মফম অদুগী মীওই খুৎপু অমনা এটেক চখরকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু ঙাক শেনবগী মহুক্তা মীওইশিং অদুনা ফুরবা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অদু পুলিস ষ্টেসন্দা থমজিনখি। মখোয়গী মথক্তা অরানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্নুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদগী য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা লৈহনখ্রে হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা অরুনাচল প্রদেশতগী লাকখিবা ছাত্রশিং অদুনা মখোয়গী লমদমগী ওইবা লৌরোক কুম্মৈগা মরী লৈননা থৌরম পাংথোক্লিঙৈদা লমদম অদুগী মীওইশিংনা থোং থিন্দুনা হাংদোকহনখি। মীওইশিং অদুনা কা অদুদা চংশিল্লক্নুনা মনুংদা লৈরম্লিবা মীওইশিং অদুবু ফুখি। লোয়নননা পেন্যা পুলিস কৌদুনা ফাহনখি হায়রি। অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অদুনা নোর্থ ইষ্ট হেল্প লাইন অমসুং অল্টরনেটিভ লো ফোরমদা চংশিন্দুনা ৱাকৎখি। মদুদা লমদম অদুগী মীওইশিংনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা করিগীদমক শৌগৎলিবনো হায়না অকনবা ৱাফম ফোংদোকখি হায়রি।

লমদম অদুগী হৌরকখিবা মীয়াম অদুনা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অদুদা অকাম্পেৎকী ৱাঙাংশিং শিজিন্নদুনা চৈ–থাংখি হায়রি। লমদম অদুগী মীওইশিংনা পুলিসতা ফোংদোকখিবদা অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা লৈরম্লিবা মফম অদুদা অহাংবা কোন্দোম মখুমশিং কা অদুদগী ফংখি হায়না মরাল শিরি। লোয়নননা লমদম অদুগী লুচিংবা অমসুং মখোয়না লৈরিবা য়ুম অদুগী মেম্বরশিংনা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অদুগী মথক্তা মরাল কয়া শিখি হায়রি।

সন্দিপ পটিল কৌবা মফম অদুগী লুচিংবা, দি সি পি নোর্থ লিদর, প্রজা রাজাকিয়া ভেরিকেগী লুচিংবশিং অমদি অল্টরনেটিভ লো ফোরমগী রিপ্রজেন্টেটিভশিং য়াওনা মীফম পাংথোকখি। অৱাং নোংপোক্কী চমজরবা মীয়ামশিং অদুবু অরানবা মরাল শিজিন্দুনা ফাহনখিবগা লোয়নননা মেজিষ্ট্রেট কোর্ট অমনা বেলদা থাদোকখি হায়রি।

চৈরকসিদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ লাকপগা লোয়নননা দিমান্দ কয়া তকশিনখ্রে। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা পুলিস পার্সোনেলশিংনা অৱাং নোংপোক মীয়ামগী মথক্তা চখরিবা, কাংলুপ নাইবা অমদি চৎনবী খেন্নবগী মওংদা খুদোংচাবা লৌরিবশিং অদুদা কুপ্না য়েংশিনগদবনি। কর্নাটকা পুলিসতা কাংলুপ নাইবগী মওং লৈহন্দনবগীদমক অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং রিক্রুইট তৌগদবনি। ষ্টেট সরকার, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমদি নেসনেল অমসুং ষ্টেট ৱুমেন্স কম্মিসনশিংনা অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংদা চখরিবা সেক্স্যুয়েল হরাসমেন্ট থিংননবা থবক পায়খৎকদবনি। সরকারনা অথুবা মতমদা কাংলুপ নাইবগী থবক চখরিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। লোয়নননা লমদম অদুগী মীয়ামদা অৱাং নোংপোক্কী কলচর অমদি হৈনবশিংগী মতাংদা খঙহন্নবগী থৌরাং পায়খৎকদবনি হায়বা দাবীশিং তকশিনখি।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা মীওৎ–মীনৈ চখবগী থৌদোক মখা তানা চখরক্লি। মমাংদা অরুনাচল প্রদেশকী এম এল এ অমগী মচানুপা নিদো টানিয়াবু সাউথ দিল্লি মুর্নিকর লমদমদা দুকান্দারশিংনা মহাক্কী শমগী ষ্টাইল অমসুং মওং মতৌদা করেম কথাইনবা চখরকপদগী খৎন–চৈনবা থোক্নুনা দুকান্দারশিং অদুনা নিদো টানিয়াবু ফুখি। মদুনা মরম ওইরগা নহা ওইরিবা ছাত্র অদু মথংগী নুমিত্তা মহাক্কী ফম্মুংদা শিদুনা লৈরমখিবনি।

# উরিষাদা নুপী মাওইষ্ট ৩ ফারে

***ভুবনেশ্বর, মার্চ ১ ঃ*** উরিষাগী গজা পটি দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্টকী নুপী কাদর ৩ পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী য়াল্লবা খুৎশু–খুৎলায় অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎলে হায়রি।

ভুবনেশ্বরদগী কিলোমিটর ৩০০ লোম চৎলগা লৈবা মোহানাগী নক্নবা জঙ্গলদা লৈবা মাওইষ্টকী কেম্প অমদা পুলিসনা কোম্বিং ওপরেসন চখবদা কাদরশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি। কেম্প অদুদা লৈরম্বা মাওইষ্টশিংনা মখোয়গী তোঙানবা লম্বী অমদা নাম্থোক্নুনা চেন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক নুপী কাদর অহুম অদুদি নাম্থোকপা ঙমহৌদবদগী ফাগৎখিবনি। মখোয় উরিষা মাওবাদি পার্টিগী মীওইশিংনি। পার্টি অদু সবিয়া সচি পান্দা কৌবা মীওই অমনা লুচিংবা কাংবু অমগী মীওইশিংনি হায়রি।

ফারবা নুপী কাদরশিং অদুনা পুদুনা চৎননবা হোৎনরম্বা মশিং য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিংসু পুলিসকী কাংবু অদুনা ফাগৎখি। মাওইষ্টশিংগী মথক্তা অখন্নবা ওপরেসন চখনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা এক্টিভ ওইরিবা মাওইষ্টশিং ফাননবগী ওপরেসন মথং মথং চখদুনা লাকখি হায়রি।


ꯒ꯭ꯂꯣꯕꯦꯜ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ

**GLOBAL TUTORIAL CENTRE**

*Venue :* RISING HIGH SCHOOL

Top Mayai Leikai, Near JNV, I/E, Yaralpat

**6 MONTHS FOUNDATION COURSE**

**FOR CLASS - VI TO X (BOSEM)**

Class Starting From 6th March, 2014

TIMING : 4:30 a.m. to 7:30 a.m. (Morning)
4:30 p.m. to 6:30 p.m. (Evening)

*Subjects :*

(i) English (ii) Maths (iii) Science (iv) Social Science
(v) M/M (vi) Hindi

*By : A Group of well trained faculties and most Teachers are Board Examiner.*

**HURRY ! LIMITED SEATS ONLY 15 SEATS FOR EACH CLASS.**

***Form Available At This Centre***

(VAN SERVICE AVAILABLE)
*SL/L/1185/2,3*

**For Further details Pliz Contact :**
# 9089573189, 9856704883, 9615476338


# লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা আম আদমী পার্টিগী ৩শুবা লিষ্ট ফোংখ্রে

***নিউ দিল্লি,মার্চ ১ ঃ*** ২০শুবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংগী লিষ্ট আম আদমী পার্টিনা ঙসি থাংজ নুমিত্তা লাওথোকখ্রে। মদুগী মনুংদা মীয়াম্না শকখঙনরবা লৈখিদ্রবা কম্মেদিয়ান জসপাল ভর্টিগী লোয়নবী সবিতা ভতি অমসুং জে এন য়ু গী প্রোফেসার অনন্দকুমারগী মিং য়াওরি।



লাওথোকখিবা মিংশিংগী মনুংদা চান্দিগরগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি, নিউ দিল্লিগী ১ অমসুং কেরলা লোয়নননা মৈধ্য প্রদেশকী ৭, উরিষাগী ৭ অমসুং বিহারগী ১ য়াওরি। অহুমশুবা ওইনা লাওথোকখিবা মিংশিং অদুদা ডাক্তর, এক্টর, টিচর, হান্নগী দিপ্লোমেট, এদুকেসনেলিষ্ট অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্টশিংগী মিং য়াওরি।

দিল্লিদা মীরেপ ওইননবগীদমক জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, নোর্থ ইষ্ট দিল্লিগী প্রোফেসার কুমারদা পার্টি অদুগী টিকেট পীরগনি। লোয়নননা দিল্লি প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জয়প্রকাশ অগ্ররৱালদসু পার্টি অদুগী টিকেট পীরগনি হায়রি।

অৱাং নোংচুপ থংবা দিল্লিগী কেন্দিদেট ওইনা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট মহেন্দ্রসিং পার্টি অদুগী টিকেটতা মীখল থেংনরগনি। সিট অদু হৌজিক হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা কৃষ্ণ তিরকনা কারকখিবা মফমনি। হৌজিক পার্টি অদুনা সাউথ অমসুং নিউ দিল্লিদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অনিগী মিং লাওথোক্কদবা ৱাৎলি। কেরলাগী ওইনা হান্নগী আই পি এস ওফিসার অজিৎ জয় হৌজিক হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সসিথারোরনা কাখিবা টিরুভনন্থপুরমদা মীরেপ ওইননবা টিকেট পীরগনি।

আই পি এস ওফিসার অজিৎজয়না ফম অদু থাদোক্লবা মতুং পার্টি অদুদা য়াওরকখিবনি। থ্রিসুরগীদমক জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী চিয়ারমেন পি সি চাকোনা কারকখিবা মফম অদুদা সারাজোসেপতা মীরেপ ওইননবা টিকেট পীগদৌরি।

মৈধ্য প্রদেশকী ওইনা পার্টি অদুনা রাচনা থিগ্রাবু নোমিনেট তৌখ্রে। থিগ্রা এ এ পিনা শাফোংলকপদগী পার্টি অদুবু শৌগত্নুনা লাকখিবা মীওই অমনি। মহাক ইং ১৯৮৪ দা থোকখিবা ভোপাল গ্যাস ত্রেজেরিগী ভিক্তিমশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখ্রবা মীওইনি। লমদম অদুদগী অনিল ট্রিবেদিসু মীখল থেংননবা পার্টি অদুদা চংলকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জয়োতিরা সিন্ধেয়ানা কারকখিবা মফম অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট সৈলেন্দ্র সিংহ খুশিৱার, এ এ পি গী কনভেনর অটুল মিস্রানা বেটুলদা মীখল থেংনরগনি হায়রি। টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সকী এলুমনি পঙ্কজ সিংহ রাজনীতিদা য়াওশিল্লকপগা লোয়নননা সিধিদা মীরেপ ওইরগনি হায়রি। হোসাংগাবাদতা এ এ পি গী থৌমি মায়া ভিস্বাকরমা মীরেপ ওইননবা নোমিনেট তৌখ্রে।

দরভঙদা মীরেপ ওইননবগীদমক প্রভাট রঞ্জন দাস নোমিনেট তৌখ্রে। মহাক্না বি জে পি গী এম পি কিরতি অজাদকা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা মীখল থেংনরগনি হায়রি। আম আদমী পার্টিনা উরিষাদা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেট ৭ কী মিংসু লাওথোকখি। ভুবনেশ্বরগীদমক সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ভিস্মায়া মহাপত্র অমদি ধানাদা কান্টা মিস্রানা বিরহমপুর সিটকীদমক মীখল থেংনরগনি হায়রি। কটক্তা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমদি লোয়র বিকাস দাসনা মীখল য়াওশিল্লকখিবগা লোয়নননা ভেঙ্কানালদা মীরেপ ওইগদৌরি।


